# মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা অমেরিকান এক্টর, রেপ্পর ৱিল স্মিথ



মমিং লৈরবা অমেরিকান এক্টর ৱিল স্মিথকী অশাংবা অশেংবা মমিংদি ৱিল্লার্দ কেরোল স্মিথ কৌই। ফিল্মদা লাকপদদি মহাক ময়াম্না ৱিল স্মিথ হায়না শমজিল্লগা হেন্না খঙনৈ। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফিলাদেলফিয়াদা ১৯৬৮কী সেপ্টেম্বর ২৫দা পোকখি। মহাক মশামক অসি এক্টর, সিঙ্গর (রেপ্পর) অমদি ফিল্ম প্রদ্যুসর অমা ওইনা মীয়াম্না খঙনৈ। ঈশৈগী লমদসু মহাক অসি মালেমগী থাক্তা পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা গ্রেম্মি এৱার্দ মরিরক হান্না ফংখ্রবা মীশক অমনি। এক্টর অমা ওইনসু, স্ক্রিন এক্টরস গীল্ড এৱার্দ অমদি গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংখ্রে। ওস্কার হায়নসু খঙনরিবা একাদেমী এৱার্দকী ওইনসু নোমিনেসন ফংখ্রবা এক্টর অমনি। ২০২২ অসিগীসু মহাক অসি বেষ্ট এক্টরগী ওইনা একাদেমী এৱার্দকী নোমিনেসন ফংলিবা মীশক অমনি। ইহান হান্না মহাক্না একাদেমী এৱার্দ নোমিনেসন ফোর বেষ্ট এক্টর ফংখিবসি ২০০১দা **অলি** হায়বা ফিল্ম ফিল্ম অদুদা মোহম্মদ অলিগী রোল লৌবদনি। অনীশুবা ওইনা ২০০৬তা **দ পর্স্যুইট ওফ হেপ্পিনেস** হায়বা অদুদা ক্রিস গার্দনর হায়বা রোল অসিদা ফংখি। অহুমশুবা একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্টরগী নোমিনেসননা **কিং রিচার্দ (২০২১)** হায়রিবা অসিদা রিচার্দ ৱিল্লিয়মগী রোল অসিদা ফংলি। রোল অসিমক্তদা অতোপ্পা এৱার্দ অনী অমসু ফংবা ঙমখ্রে মদুদি- স্ক্রিন এক্টরস গীল্ডিং এৱার্দ অমদি গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ অসিনি। স্মিথকী মমিং লৈরবা ফিল্ম খরগী মমিং পনবা তারবদি- **বেদ বোইস (১৯৯৫), বেদ বোইস-টু (২০০৩), বেদ বোইস ফোর লইফ (২০২০), মেন ইন ব্লেক (১৯৯৭), মেন ইন ব্লেক-টু (২০০২), মেন ইন ব্লেক-থ্রী (২০১২), ইন্দিপেন্দেন্স দে (১৯৯৬), ইনেমি ওফ দ ষ্টেট (১৯৯৮), রোবোট (২০০৪), শার্ক টেল (২০০৪), হিটচ (২০০৫), হেনকোক (২০০৮), সেভেন পাউন্দস (২০০৮), আই এম লেজেন্দ (২০০৭)** হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই। মসিগী মনুংদা কম্মর্সিএল ফিল্ম অমা ওইনসু য়াম্না মমিং চৎখিবসি- **ইন্দিপেন্দেন্স দে, হেনকোক, মেন ইন ব্লেক** হায়রিবশিং অসিনি।

অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক অদুমক ফনা হৌরকখি। অদুবু মহাক মশানদি ঈশৈ শকপা য়াম্না পামজখি। মসাচুসেট্টস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা স্কোলারশিপ ফংদুনা টেক্নোলোজিদা গ্রেজ্যুএসন তমখি অদুবু মহাক লাইরিক তম্বদা কয়া খোয়জংখিদে। ১৯৮৫তা মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী তীন্নবা মমিং লৈরবা ম্যুজিক কম্পোজর দি জে জেজ্জি ফেফ কৌবা অমনা মহাকপু পর্ফোর্মেন্সতা পুশিনখিবনি। নুমীৎ অদুদা মহাক্কী য়ুমগী অনকপদা হাউস পার্টি অমদা ঈশৈ অমা তৌখি। মদুদা রেপ শক্কদবা মীশক অদু লাকখিদে। মাগী মহুৎ ওইনা স্মিথপু মহাক্কী মরুপ অদুনা শরুক য়াহনখি। মদুদগী মখোয় অনী পুন্না প্রোগ্রাম কয়াদা মখা তানা শরুক য়ামিন্নরকখিবদগী ৱিল স্মিথকী ফীভম অমা শেম্বা হৌরকখিবনি। ১৯৮৬তা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইনা এলবম অমা মহাক্কী মরুপ দি জেগা লোয়নননা **''গার্লস এন্ট নথিং বট ত্রোবল''** হায়বা অমা অদুগা **''আই দ্রিম ওফ জিন্নি''** হায়বা অসি পুথোকখি। মসিদা ষ্টোরি টেল্লিং রাপস সিঙ্গর অমা ওইনা ৱিল স্মিথ মমিং চৎপা হৌখি। সিগী মতুংদগীদি মখল কয়াগী এলবমশিং পুথোক্তুনা মীয়ামগী অপাম্বা পীদুনা লাকখি। গ্রেম্মি এৱার্দ ফোর বেষ্ট রাপ পর্ফোর্মেন্সকী মনাসু ফংবা ঙম্লকখি। অসুম্না ঈশৈরোমদা মমিং নীংথিজনা লৈরক্লবা মতুংদনি মহাক্না ফিল্মলোমদা খোঙ থাংজিল্লকখিবা অসি।

ৱিল স্মিথনা ইহান হান্না ফিল্মলোমদা চঙশিল্লকখিবা অসি ১৯৯৩দা পুথোকখিবা **সিক্স দিগ্রীস ওফ সেপরেসন** হায়বা অসিনি। সিগী মতুংদা **বেদ বোইস (১৯৯৫)** অসি লাকখি। মসিদগীদি মহাক ফিল্মগী লম্বী অসিদা চাউনা থোঙ ফাৎপা হৌখি। মহাক্কী ফিল্ম অসিনা কম্মর্সিএল্লি সক্সেস ওইদুনা খ্বাইদগী



বোক্স ওফিস হিট ওইবা ঙমখি। **বেদ বোইস** হায়রিবা ফিল্ম অসিনা দোল্লর ১৪১.৪ মিলিয়ন তানবা ঙমখিবগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ লৈরি। সিগী মতুংদা **ইন্দিপেন্দেন্স দে** হায়রিবা অসিসু ৱর্ল্ডগী ফিল্মগী হিষ্ট্রিদা ব্লোকবষ্টর ওইখিবা অমদি হায়য়েষ্ট ক্রোসিং ফিল্ম রেকোর্দতা অনীশুবা তাখিবনি হায়নরিবনি। অসুম্না মখা চথুরকপনা স্মিথকী ফিল্মগী মায়কৈদা খ্বাইদগী অরংবা থৱান অমগুম্না পুমলং লংখি। স্মিথ ১৯৯২দা শেরী জ স্পিনোগা লোয়নননা য়ুম্বাল লম্বীদা চঙমিন্নরকখি। মখোয় অনী **''জষ্ট দ টু ওফ অজ''** হায়বা ম্যুজিক এলবম অদুদা থেংনখিবদগী নুংশিনরকখিবনি। অদুবু ১৯৯৫তা মরম অমদগী দিভোর্স তৌখি। সিগী মতুংদা ১৯৯৭দা স্মিথ এক্রেস জদা কোরেন পিনকেট্টকা লোয়নননা অমুক য়ুম্বানমিন্নখি। মখোয় অনীসু **দ ফ্রেস প্রিন্স** হায়বা ফিল্ম অদুগী স্মিথকী কেরেক্টরস গার্লফ্রেন্দ অমা শানবগী ওদিসনদা থেংনখিবনি। ফিল্ম অসিমক্তদা স্মিথ ঐখোয়গী স্বাইদা কেরেক্টর রোল অমদা মমিং চৎপগুম ফ্রেস প্রিন্স হায়রগা স্মিথপু খঙনখিবা য়াম্না মমিং চৎখিবা ফিল্ম অমনি। মখোয় অনীগী মচা অনী শুরে- জদেন ক্রিষ্টোফর সয়র স্মিথ অমদি ৱিল্লো কেমিল রাইন স্মিথ হায়রিবা অসিনি। মচা অনীমকসু হৌজিক্তি এক্টর অমা ওইনা ফিল্ম কয়াদা কুম্বা হৌরক্লিবনি। মচানুপা অহল ওইরিবা জদেন ক্রিষ্টোফর স্মিথ ফিল্ম খরদা মশক নাইনা কুমখ্রে। মদুগী মনুংদা- **অফ্টর আর্থ, দ কারেটে কিদ টু, দ দে দ আর্থ ষ্টূদ ষ্টিল** পনবা য়াই। অদুবু য়াম্না নুংঙাইতবদি মহাক হৌখিবা জন্যুৱারীদগী হৌনা অরুবা অনাবা অমনা হোস্পিটালাইজ তৌদুনা লৈরি। মালন্যুত্রিসনগী অনাবা অমনা হৌজিক অসি কন্না লায়েংলি। রাইন স্মিথতি **আই এম লেজেন্দ** হায়বা ফিল্ম অসিদা স্মিথকী মচানুপী শাদুনা কুল্লি। মহাক মশামক্কী ফিল্ম বেন্নর লিংখৎতুনা ফিল্ম প্রদক্সন তৌবা হৌরকখি। ২০১৯দা **অরাবিয়ন নাইটস, ফ্রেন্দ লাইক মি, প্রিন্স অলি, ''দুনোট বি এফ্রাইদ টু বি দিফরেন্ট''** অমদি ম্যুজিক এলবম **কনফেসন্স ওফ এ দেঞ্জরস মাইন্দ** হায়রিবশিং অসি পুথোরকখি।

ফিল্ম মমিং লৈনা রোল কয়া কুম্লবসু মহাক ঈশৈ অসিবুসু থাদোক্তে। ২০১৮ ফিফা ৱর্ল্ড কপ মোস্কো, রসিয়াদা পাঙথোকখিবা অদুগী ক্লোজিং সেরেমোনিদা ওফিসল সোং ওইরিবা "লিভ ইট অপ" হায়বা ঈশৈ অদু অমেরিকান সিঙ্গর নিকি জম অমদি কোসোভর সিঙ্গর ইরা ইষ্ট্রেফিগা লোয়নননা শকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা স্মিথ অসি য়াম্না ইমপ্রেসিভ ওইবা রাপ সিঙ্গর অমনি হায়না শীংথানরি। ৱিল স্মিথ খৃষ্টিয়ন লাইনিং চেৎনা থাজজবা মীশক অমা ওইনা পূক্লিং লুপ্লবসু মহাক্না রিলিজন হায়বা অসিবুদি তোপ তোপ্পা থল্লি। অদুনা মরম ওইদুনা খেন্নবা রিলিজনগী মতাংদা মহাক্কী অচেৎপা থোইদোকপা ৱাফম অমা ফাওবা হায়দে। মদুগী মহুত্তা ফুরুপ খূদিংমক্কী লাইনিংবুসু মহাক্না ঈকায়খুম্নে। ২০১৮দা মহাক ইন্দিয়াদা লাকখি। মদুদা হিন্দু লাইনিংগী মরুওইরিবা হরিদ্বারদা লৈরিবা লোর্দ শিভদা পুকচেল তিংনা খুরুমখি মসিদা নত্তনা মশামক্না গঙ্গা তুরেলদা কুমদুনা আর্টি কৎপা মশামক্না পাঙথোকখি। মহাক্না হিন্দুগী স্পিরিচ্যুলিটি অমদি ইন্দিয়ন এষ্ট্রোলোজিবুসু য়াম্না লুনা খঞ্জে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী পুম্নৌ নৌবা ফিল্ম "ইমানসিফিকেসন" হায়বা অমসু অথুবদা রিলিজ তৌরক্লবা অকনবা থবক লৌখৎলি। সূটিংগী থবক পুম্নমক লোইশিন্দুনা লেবোরেটরিদা লৈরি। মদুসু মতম খরদি ঙাইমিন্নখিবা তারি।

*- নানি*

# ঙসিগী রাশি ফল

**অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ**
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ১৩। ০৩। ২০২২ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ১০.১২ ফাওবা লমতাগী ১০ নি পল্লি, মতুং ১১নি পাল্লনি।**

**মেষ:** লম খুদিংদা কান্নবা অমদি মায় পাকপা নুমিৎনি। শেল ফংবা, লৌশিং হেনগৎপা, অঙম্বনা চানবীবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংগী মতেংদি অয়ুক্তনা হেন্না ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃষ:** থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, অনৌবা থবক পাঙবা য়াগনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংজবগী নুংঙাইবা লৈগনি। অদুবু নাইতোম ৱারেপ লৌবদি ৱাগনি, হুদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** নচা-ননাইগী লমদা নীংবা থুংবা, মীয়াম লোয়নবনা নুংঙাইজবা নুমিৎনি, লেঙদবা লন তানশিনবা য়াগনি। অদুবু নোল্লুকপা হৈত্রদি শক-চু থোকপা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা কান্নগনি। ঙসিসু অনম তানবা অমদি অশাওবনা মাঙওইনবদি মাঙগনি। অনৌবা থবক পাঙবদি য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**সিংহ:** অয়ুক পুং ১০ ফাওবা অফবা খোঙশাল লৈগনি, খুৎচাও থাহৌবা য়াগনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎপা লৈগনি। চিন কনগনু, অরং-অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কন্যা:** শেল-থুমগী লমদা মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরম পাঙবনা হেন্না কান্ননি, মীয়ামগা মরী ফগৎকনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি। অরাপ্পা মীগী মতেংদি কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল তীন্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** হরাওবা নুংঙাইবা, মীয়ামগা লোয়নননা চৎপনা কান্নবা হেনগনি, অনীংবা থবক্তা খুৎচাও থাবা মতাং চাগনি। অদুবু নচা-ননাইগী লমদা কোক শাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** অফবা মীংচৎ ফংগনি, লাই-গুরুনা চানবীগনি, অরং-অরাক লৌশিনবা য়াগনি অমদি তুংগী পোরম য়াৎপসু য়াগনি। চরাংনরদি মীপাইবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** অয়ুক্তা নীংবা থুংবা, শেন্দোং চাওনা ফংগদবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাবা লৈগনি। অতোনবা লোয়নবা, য়েৎনবনা মাঙজবা অমদি মরুপ মপাংনা ৱারৌবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মকর:** লাইবক ফবা অমদি হোয়া ফবগী কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। ইমুং মনুংগী ৱা তাবা য়াম্না ফগনি। মীতোপ লোয়নবদি চেকশিল্লু, মরম চাদনা অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, মীচঙ হেনগৎকনি, য়েক্লববু খুদুম চনগনি। খোইরাংবা অমদি চিন্দা পাউদানরগা ঈকায়বা নংবা য়াবদি লৈগনি। নোল্লুক্না চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ চিনি অঙাংবা

**মিন:** চরাংনবনা মতম মাঙগনি-নীংবদুমক পাঙগে খনগনু। মরুপ মপাং, পল্লম্বা শেল ফংবা, তুংগী পোরম য়াৎপা য়াবদি লৈগনি। থিবা হুম্বা কল্লু-কান্নবা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**

# তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়টনা ঙাকপীবা ঙম্লোই : নাওরেম প্রদিপ

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্লী ইলেক্সনগা মরী লৈনৈ হায়বা মওংদা তেন্থাদগী রাকেশ নাওরেম কৌবা মশানা মশাবু সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্টনি হায়জবা মীওই অমগী য়ুম মৈ চাকখিবা অমগা মরী লৈননা রাকেশ নাওরেমনা মীদিয়াদা তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়টপু লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা লাইবক থীবনি। মহাকপু পঞ্চায়ট অসিনা ঙাকপীবা ঙম্লোই হায়না জি পি অসিগী প্রধান নাওরেম প্রদিপনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি তেন্থাদা লৈবা পঞ্চায়ট ঘরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা নাওরেম প্রদিপনা ফোঙদোকখিবনি। লৈকায়গী ক্লব, মৈরা পায়বীগা ফাওবা য়ানদবা রাকেশ নাওরেমনা করম্না মশানা মশাবু সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্টনি হায়জরিবনো হায়না হংলদুনা এন প্রদিপনা মখা তানা হায়, য়ুম মৈ চাকখিবা থৌদোক্তা তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়টপু চেন্নবা মানবা মওংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি পঞ্চায়ট অসিনা অঙকপা ফাওই অমদি য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম অসিবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

থৌদোক অদু থোকহন্নিংদবা লাইবক থীবা অমদি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোকনি। জি পি অসিনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অমসুং খুজিন থৌরাং তৌরিবা মীওইশিং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। অদুম ওইনমক রাকেশ নাওরেমগী তুকৎচনিংঙাই ওইরবা ৱাখল্লোন অসিমক্তি য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা ওইনা লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ৱাংজিং তেন্থাগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা এ সী অসিদা মথং শিৎনা মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস পার্টি, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস অমদি বি জে পিদা মীখল হেক থেংনরকপদগী এ সী অসিগী মফম কয়াদা মীহাৎ-মীপুন য়াওনা মীয়ামদা অকি-তুজুংবা থৌদোক কয়া লেপ্পা লৈতনা চথুরক্লিবা অসিদদি সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্টনি হায়জরিবা রাকেশ নাওরেম মিৎ তাঙখিবরা নৎত্রগা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা মহাক তুমীন্না লৈশিনবগী মরম করিগীনো। মহাক য়াওনা থৌদোকশিং অসি শীল্লবরা হায়বা ৱাহং অসি মীওই কয়ানা হংনরক্লিবা ৱাহং অমনি।

তেন্থাদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা তেন্থা জি পিনা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা মীটিং অমা পাঙথোক্লবা খন্নরিঙৈ চৈরক অসিদা নংহৌররোইদবা মতাগুম মীদিয়াগী থোঙদা তেন্থা মীয়াম্বু লান্না উহনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা অসিমক্তি পঞ্চায়ট অসিদা শিংনবা অমসুং লনাই ওইবা নুংঙাইতবা মানবগী ফজদবা মমি অমা তাহল্লে। লোয়নননা মহাক্কুম্বা মীশক অমনা ডা. নরগুম্বা লৈবাক মীয়াম্না ঈকায়খুম্নরিবা মীওই অমবু মিংচৎ থিবা য়াবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবা অসি মহাক্কীদমক্তা পঞ্চায়ট অসিনা ঈকায়বীবা ফাওই। লোয়নননা মহাকপু ঙাকপীবা ঙম্লোই। পঞ্চায়ট অসিনা মহাক্না মখা তানা মীদিয়াদা অৱাই অখুম তৌনরোই হায়নসু নাওমের প্রদিপনা ফোঙদোরকখি।

# ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): নেসনল ফাউন্দেসন ফোর ইন্দিয়া (এন এফ আই)গী মীৎয়েংগা লোয়নননা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভেলপমেন্ট সর্ভিসেস ওর্গনাইজেসন (আই আর দি এস ও), ৱাংজিংনা শীন্দুনা ঙসি ওর্গনাইজেসন অসিগী শঙলেনদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

জেন্দর ইক্বেলিটি ফোর এ সষ্টেনেবল টুমোরো হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা হীরমদা মায় পাক্লবা নুপীশিংবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা অমসুং মখোয়গা ৱারী-ৱাতাই শানবনা ঙসিগী থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী এৱার্দী হঞ্জবম রাধে, থৌবাল ৱিমেন পুলিসকী ওফিসর ইন-চার্জ ওক্রম চাওবা, সোসল এক্টিভিষ্ট মমতাজ বেগম, অমকিলগী এদভাইজর খাঙেম্বম অনন্দি, ভিহান প্রোজেক্টকী হেল্থ প্রোমোটর পাঙম্বম সনধ্যারানি, রাইটর য়ুম্নাম চনু ৱাংলেম্বোইবী, ইন্টরনেসনল ফেন্সর সাইখোম ননকিরোস অমদি আই আর দি এস ওগী সেক্রেটরি নোনিলাবালা নারেংবমসু ৱা ঙাংখি।



Title : Pokemon
By : KhadangbamLanchenba Singh
Class : III Roll : 10
School : KEBI, Charangpat



Title : Toys
By : R.K.Leishilembi
Class : K.G. Roll : 2
School : Global School, Wangkhei



Title : Lotus
By : Th. Ningthouremba Singh
Class : III Sec: B
School : CGCC, Wangoi Makha



Title : Scenery
By : Trinity (Echan) Salam
Class : Sec : Roll :
School :



Title : Birthday Cap
By : Yambem Tomthin Meitei
Class : I Roll : 2
School : Eikhoigi Maheikol Eng. School, Charangpat



Title : Elephant
By : Dayarani
Class : VI Roll : VII
School : Maheilen Education Center



Title : Lotus
By : Laishram Alvinash
Class : VIII Roll : 11
School : Maheilen Education Centre



Title : Anime boy
By : Bikash Khaidem
Class : Roll : 22
School : Maheilen Education Centre



Title : Killua
By : Mayengbam Arnold
Class : VII Roll : 2
School : Maheilen Education Centre



Title : Ben 10
By : A. Thoihen Meitei
Class : K.G. Roll :
School : Heritage Convent



Title : Scenery
By : Thoudam Royananda Singh
Class : V Roll : 12
School : Pishakmacha Bidya Mandir




Title : Scenery
By : Ravindra Oinam
Class : IV Sec : D Roll : 45
School : Catholic School Canchipur



Title : Scenery
By : Thongam Tilotama Devi
Class : IV Roll : 15
School : Pishakmacha Bidya Mandir



Title : Scenery
By : Thiyam Anjita Chanu
Class : IV Roll : 10
School : Maheilen Education Centre



Title : Scenery
By : H. Anjelica Devi
Class : III Sec: Y Roll : 73
School : Khuman Maheikol



Title : Powr Renger
By : Lankhomba Ashem
Class : I Roll : 29
School : Imphal Public School, Canchipur

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।